# ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনখিবা মণিপুরগী বোক্সরশিংনা গোল্ড ২ অমসুং সিলভর ১গা ব্রোঞ্জ অনী ফংলক্লে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ
বলগেরিয়াগী বোটিবগ্রাদতা থা অসিগী ১দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক-খিবা ৪শুবা ইন্টরনেসনল য়ুথ এন্দ য়ুনিয়র মেন্স বোক্সিং টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী বোক্সরশিংনা গোল্ড মেদল অনী, সিলভর অমা অমসুং ব্রোঞ্জ অনী লৌরক্লে।

ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অদুদা ইনিদয়াগী নুপামচা ১৩না শাবা টিম অদুদা মণিপুরদগী বোক্সর তরুক শরুক য়াখি। বোক্সর তরুক্কী মনুংদা কেজি ৪৬কী কাঙলূপ্তা সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমি অমদি য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা ত্রেনিং ফংলিবা ময়াং ইম্ফাল বজারদগী শ্যামচন্দ্র অমসুং নরমাদাগী মচানুপা হৌজিক হৌজিক্লা পুনেগী আর্মি বোইজ ইন্সটিটিয়ুটতা তম্লিবা কে সঞ্জিৎ ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা বোক্সরশিংদি মেদল লোইনা ফংখি।

গোল্ড মেদল ফংখিবা বোক্সরশিংগী মনুংদা কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা ব্রেলসকী বোক্সর কোস্টা রোমিওবু ৫-০দা মায়থীবা পীখিবা মণিপুরগী বিশ্বামিত্রা চোংথাম য়াওখি। মহাক্কা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংখিবা অতোপ্পা বোক্সর অদুদি কেজি ৫৪গীদা কাজখষ্টানগী বোক্সরবু ৫-০দা মায়থীবা পীখিবা এস য়াইফবা মীতৈনি। মহাক নোঙাদা অৱাং লৈকায়দা লৈবা এস জয় অমসুং এস সুনি লৈমগী মচানুপানি।

কেজি ৬৩গী কেটেগোরিদা বলগেরিয়াগী বোক্সর অমগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্ক বা লম্বাদা পোইন্ট ২-৩দা মায়থীহৌবা মোইরাংথেম সনাথোই মীতৈনা সিলভর ফংহৌখি।

অমরোমদা কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা কাজখষ্টানগী বোক্সরগী মখূৎতা সেমী ফাইনেলদা মায়থী-হৌবা এল রবিচন্দ্র অমসুং কেজি ৫০গীদা অতোপ্পা কাজখষ্টানগী বোক্সর অমগী মখূৎতা পোইন্ট ২-৩দা মায়থীহৌবা এস ভিক্টর ব্রোঞ্জ মেদল অমমম ফংহৌখি।

তরেৎশুবা ষ্টেট ওপন সভেন এ সাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# নজারি এফ সী ক্ষেত্রিগাও অমসুং এফ এফ সী সী অংথা অহানবা মেচতা ১-১দা দ্রো চংখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএন এস)ঃ
ফৌদেল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা ফৌদেন য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সী) গ্রাউন্দদা ঙসি হৌদোকখিবা ৭শুবা ষ্টেট ওপন সভেন এ সাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা মেচতা নজারি এফ সী ক্ষেত্রিগাও অমসুং এফ এফ সী সী অংথা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চংখ্রে।

টিম ১২না গ্রুপ মরি থোক্লা গ্রুপ অমমমদা টিম ৩/৩গী লম্বা ওইদুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইখি। ফৌদেনগী সোসল ৱার্কর এম দি সিরাজ উদ্দিন্না প্রসিদেন্ট অদুগা এম দি অয়ুব খান, এম দি অলাউদ্দিন, অলাস অবদুল গাফর অমসুং এম দি নিংথেমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

গ্রুপ এদা ক্ষেত্রিগাওদগী নজারি এফ সী, ফৌদেনদগী পি ৱাই সী (বি) অমসুং এফ এফ সী অংথা লৈরি। গ্রুপ বিদা কাৱ্রংদগী কাৱ্রং এফ সী, ফৌদেনদগী পি ৱাই সী (এ) অমসুং কৈরাওদগী বি এস য়ুনি। গ্রুপ সীদা কাৱ্রংদগী কে এফ সী, চঙমদবীদগী সী এম সী অমসুং তেকচমদগী মৈরা এফ সীনি। অদুগা গ্রুপ বিদা পুংদোংবমদগী ও এফ এ, ফৌদেনদগী এ বি বোর্দিং অমসুং চঙমদবদগী সী ৱাই দি ওনি।

ঙসিগী অহৌবা মেচ অদুদা নজারি এফ সীগী মায়কৈদগী নৱাজ খাননা শান্নবা হৌরকপা মিনট অনী চঙশিল্লকপদা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুবু এফ এফ সী অংথাগী মায়কৈদগী য়াম্না থুনা হন্দোকপা ঙমখি।

শান্নবগী মরিশুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় তোমনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। মেচকী মখা তারকপা মতমদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈখিবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখি।

মেচ অদুদা নজারি এফ সীগী মায়কৈদগী নৱাজ খান শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা কাঙলোনগী ৱাংমদা মায়োক্লবা শান্নরোয়দগী বোল মুন্নবা হোৎনরুবদা য়েলো কার্দ ফংখি। ঙসিগী মেচ অদু কে ঐচ ইবুংঙোনা সেন্টর রেফ্রি ওইখি। অদুগা এম দি অনুস অমসুং এম দি লটিফ অলিনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রিগী থৌদাং পুখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং মেচ অনী লৈগনি। অহানবা মেচতা গ্রুপ বিগী বি এস য়ু কৈরাও অমসুং কাৱ্রংদগী কে এফ সীগী লম্বা তৌনরগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা চঙমদবীদগী সী এম সী অমসুং কাৱ্রংগী কে এফ সীগা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক ক্বালিফায়রদা নেপালবু ৩-১দা থোইখ্রে



মন্দলে, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী) ঃ
ম্যান্মারনা য়ূম্বু ওইদুনা মন্দলে সিটিদা লৈবা মন্দলারথিরি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী ওলিম্পিক ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়ানা নেপালবু গ্রুপকী অনীশুবা মেচতা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ অসিগী অহানবা মেচতা ইন্দোনেসিয়াবু মায়থীবা পীদুনা লাক্লিবনি। ঙরাংগী মেচ অদুগী তরুকশুবা মিনটতা ইনিদয়ানা পুশিনখিবা এটেক অমা নেপালগী দিফেন্দর পুনম মগরনা শোয়বদগী ঙাকথোকখিগদবা বোল অমা মশামক্কী গোল পোষ্ট মনুংদা চঙশিনখিদুনা অহানবা ইন্দিয়াগী পাঞ্জল তরুকশুবা মিনটতা ওইখি।

থংনবা মিনটতা নেপালগী নিরু থাপানা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা মায়কৈ অনীনা অকনবা লম্বা থেংনরগা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ মিনট ১৫ চঙশিল্লকপা শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সন্ধিয়া রঙ্গনাথনগী য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমনা নেপালনা ইন্দিয়াবু ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল শোত্থরবা নেপালগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নখি। অদুবু মখোয়গী হোৎনজমল মায় পাক্ত্রিঙৈ মেচকী ৭৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্তেন মণিপুর মচা আশালাতানা পেনালটি অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা নেপালবু ৩-১দা থোইদুনা গ্রুপ এগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এ স্কৱার পাংশোইনা টৌসতা দেনি এফ সী থোইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএন এস) ঃ
মণিপুর ইমাগী চাংদম্নফম ওইবা মচাশিং (মাইচোন) চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়না শীন্দুনা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়গী পোলোগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট২০১৯ ঙসি শান্নখিবা লীগ মেচতা এ স্কৱার পাংশোইনা দেনি এফ সীগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল মান্নদুনা লৈখিবদগী টোস তৌবদা এ স্কৱার পাংশোইনা মায় পাকখ্রে।

টিম ১২না কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি মেচ অদুগী হৌরকপা অহানবগী ১১শুবা মিনটতা দেনি এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ গোপিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা এ স্কৱার পাংশোইবু ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। মিনট ৩০/৩০না শাবা হাফ অনীগী টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোপিগী পাঞ্জল অদুবু এ স্কৱার পাংশোইনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা এ স্কৱার পাংশোইগী চাউবনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীগী শান্নরোয়শিং অহেনবা খোঙজেলগা লোয়ননা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনরকখি।

মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা এ স্কৱার পাংশোইগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর চনবা ঙমখিবা চাউবনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিন্দুনা দেনি এফ সীবু মখোয়না পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

থংনবা মিনটতা দেনি এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকপা শান্নরোয় কম্মান্দোনা ইক্কেলাইজর অদু শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি। মখা তাবা মিনট ১০দা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরগী কাঙলোনগী মতুং ইন্না টোস তৌরগা য়েংনবদা এ স্কৱার পাংশোইনা ঙমদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।




HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)

# ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা মলেসিয়াবু ২শুবা মেচ ৫-০দা থোইখ্রে



কোলা লম্পুর, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি সেনিয়র টিমনা মলেসিয়াদা মেচ ৫গী হোকি টেষ্ট সেরিজ অমা শান্নরিবা অসিগী ঙরাং অনীশুবা মেচ অদু শান্নবদা ইনিদয়ানা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা সেরিজ অসিদা মেচ ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মেচ অদু হৌবদগী হৌনা বোল হেন্না পায়বা ঙম্বগী পাঙ্গল পুথোক্তুনা মলেসিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুবু খুদুম চন্না শান্নখি। ৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। তাঞ্জা অদু মলেসিয়াগী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌখিদে।

মখা তারকপা ইন্দিয়াগী এটেকশিংদা মলেসিয়াগী দিফেন্দরশিং য়াম্না ৱানা হোৎনখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী নবজোট কোরনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা একাউন্ট হাংদোকখি।

মখা তারকপা মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা ষ্ট্রাইকর বন্দনানা ফিল্ড গোল অমগা চনবা ঙমখি। অদুগা মেচকী অহানবা হাফকী অরোইবা মীৎকুপ্তা নবনিট কোরনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদ্রবসু মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর অদুদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মিজোরামদগী হৌখিবী লালরেমশ্যামিনা ৫৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মিনট ১ লৈরগা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নিকি প্রধাননা ৫৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঞ্জল হাপচিল্লগা মলেসিয়াবু ৫-০দা তোইখিবনি।

ইন্দিয়াগী কোচ সিয়োর্দ মারেনেনা ফোঙদোকখিবদা পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙমখ্রবসু মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা হোৎনবা ৱাৎপা মফম কয়া য়াওরি। হায়রিবা মফমশিং অদু হয়েং ৩শুবা মেচ শান্নবদা শেমদোক্লগা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা অদু মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুদা মহাক্লা থমখি।

# সাথিয়াননা ৱর্ল্ড নম্বর ১৪ মায়থীবা পীখ্রে

য়োকোহমা, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ
থা অসিগী ৫দগী ৭ ফাওবা জপানগী য়োকোহামাদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান কপ টেবল টেনিস চেম্পিয়নসিপ্তা ইনিদয়াগী সাথিয়ান গনসেখরননা হোং কোংগী ৱর্ল্ড নম্বর ১৪ শান্নরোয় ৱোং চুন টিনবু মায়থীবা পীখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা প্লে ওফকী মেচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ২৮দা লৈরিবা গুনসেখরননা হোং কোংগী নম্বর ৱান শান্নরোয় অদুগা ৱর্ল্ড নম্বর ১৪দা লৈরিবা ৱোং চুং টিংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা গেম ৪-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অহানবা গেম সাথিয়াননা ১২-১০দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুনা হোং কোংগী শান্নরোয় অদুনা ১২-১০দা থোইরগা গেম অমমম মান্নরগা লাকখি। অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ফজবা হেনবদগী ১১-৫, ১১-৬তা থোইদুনা গেম ৩-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মঙাশুবা গেম অদু হোং কোংগী শান্নরোয় ৱোং চুং টিংগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা পোইন্ট ৮-৮ ফাওবা মান্নদুনা লাকখি। অদুবু নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা থংনবা পোইন্ট অহুম লৌবা ঙম্বদগী ১১-৮দা থোইদুনা ঙসি অথেংবদা টাইৱানগী শান্নরোয় লিন য়ু জুগা মঙাশুবা পোজিসনগীদমক লম্বা তৌনরগনি। করিগুম্বা সাথিয়াননা মেচ অদু মায় পাকপা ঙম্লবদি ৱর্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস কুইয্জকী ৱিনর মাইবম মনিচন্দ্রদা মনা খূৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস):
*হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ* *নম্বর ৯১ গী ৱিনর* মাইবম মনিচন্দ্রদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা মনা খূৎশিন্নখ্রে।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী ওফিসতা ঙসি মনা অদু খূৎশিন্নখি। স্পোর্টস ক্যুইজগী ৱিনর ওইখ্রবা য়াইরিপোক লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়দগী মাইবম মনিচন্দ্রনা ফোঙদোক-খিবদা, হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা স্পোর্টস পাম্বা কয়াদা পূক্নিং থৌগৎপী। শান্নরোয় অমা ওইনা স্পোর্টস ক্যুইজ অসি থৱায় য়াওনা পায়। মমাঙদসু স্পোর্টস ক্বিজ কয়াদা শরুক য়াখি। অমুক্তা ৱিনর ওইখিদ্রি। হন্দক ৱিনর ওইবসিনা অহানবনি। শান্নরোয় হায়বসি দিসিপ্লিন লৈতবা য়াদে। পাউচে অসিনা স্পোর্টস ক্যুইজ থম্বদগী খঙবা হেনগৎহল্লি। লমদমসিদা বন্দনচিংবা কয়া তোয়না তৌরিবা অসি লৈঙাক অমদি বন্দ তৌগদৌরিবশিংনা বন্দ তৌদ্রিঙৈদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানরগা য়ানবা পুরকহন্নিংই। বন্দ তৌবা অসিনা মীয়ামদা চৈথেং পী। মসি তৌহন্নিংদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯২

১। মখোঙ নাম্মা উনা হাপ্পা শান্নরোয় অমা ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল অনী ফংখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

২। ইন্দিয়াগী সঞ্জুনা টর্কিশ কপকী মেচ অমদা হেটৈত্রিক অমা ফংখি। মহাক্কী পাঞ্জল অনীদি মিনট ৩৭ অমসুং মিনট ৭১দা চনখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদু মিনট কয়াদা চনখি?

৩। ওলিম্পিক্তা টিম অনী (লৈবাক অনী) ফাইনেল শান্নগদবদা টিম অমদি শরুক য়াখিদে। মরমদি অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদু খোঙউপ বুট উপখি। মদুদা অতোপ্পা টিম অদুনা য়াখিদে। থৌদোক অসি করম্বা মশান্নদা থোকখিবগে?

৪। WAGON WHEEL করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্মা নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্মা পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)





HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com